# এক্সিদেন্টদা শোকখিবা দ্রাইভর মঙলেমজাওগী লায়েংনবা গুৱাহাটিদা চৎলগনি ঃ টি দি সি

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৭(এস এন এস) ঃ

ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা চেঙ চিংবা দ্রাইভর অমা ওইনা মথৌ তৌরম্বা অমসুং গাড়ীগী দক্সুর কুপ্পবা হোৎনবদা তারকপদা চেঙনা ননবদগী স্পাইনেল কোর্দ শোকপদগী ফমুংদা থা ৭ রোম য়াতাদুনা লাক্লবা পাৎশোই পার্ট ৱানদগী নাওরেম মঙলেমজাওগী অশোকপা অদু লায়েংনবগীদমক টি দি সিনা অচংবা শেনফম পুথোক্তুনা লায়েংনবা পুরগনি হায়না টি দি সিগী সেক্রেটরী তখেলময়ুম জিবননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নাওরেম মঙলেমজাওগী ময়ুমদা পাউমীশিংগা উন্নবদা জিবননা হায়, মশাগী ফিভম শোকচিল্লবা অমসুং ইমুং মনুংগী লৈত লায়রবনা মরম ওইরগা অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লবা মঙলেমজাওগী ইমুং মনুংগী ফিভম লমদম অসিগী নিউজ চেনেল অমগী খুখাংদা ফোঙদোরকপদগী টি দি সিগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমনা মমাঙদা লাক্তুনা য়েংশিনলম্লবা মতুংদা পীরম্বা কন্মিটমেন্টকী মতুংইন্না মহাকপু গুৱাহাটিদা পুদুনা লায়েংনবা ফিরেপ অসি লৌরকপনি।

মহাক্কী ইমুং অসি সেক দাটগী মনুং চন্না য়াওরম্বদগী পি এ জে এ ৱাইগী কার্দসু ঙসি খূৎশিন্নরে। মহাক্কী অনাবা অসি লায়েংনবগীদমক টি দি সিগী মীহুৎ কাঙবু অমনা পুদুনা চৎলগা লায়েংলুরগনি হায়খি।

মফম অদুদা অনাবা হংবা লাকখিবা পাৎশোই এ সিগী এম এল এ কুমারী এ কে মিরাবাইনা পাউমীশিংদা হায়, মতম শাংনা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা দ্রাইভর ওইনা চেঙ চাক চিংবগী থবক্তা মীয়ামগীদমক কখোক্তুনা লাকপনি। খঙহৌদনা থা খরগী মমাঙদা জিরিবামদা গাড়ীদগী তারকপদা শোক্তুনা লৈরকপনি।

মহাক য়ুমদা ফমুংদগী লেঙবা ওৎপা ঙমদনা লৈরকপদগী টি দি সিগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎ অমসুং দ্রাইভর য়ুনিয়নগী সেক্রেটরী এম অনিলনা টি দি সি অমসুং য়ুনিয়ন অসিগী খুখাংদা মহাক্কী লায়েংবদা চংবা শেনফম খুদিংমক মতেং পাঙবগা লোয়ননা অচংবা শেনফম পুথোকপীরক্কনি হায়রকপা অসি য়াম্না থাগৎলি হায়খি।

মঙলেমজাওগী হকচাংগী ফিভম ফগাৎহন্নবা মতেং পাঙবীবা অসি য়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা টি দি সি অমসুং দ্রাইভর য়ুনিয়নগী থবক থৌরমশিংদা অঙম্বা মতেং পাঙনবা হোৎনগনি।

কাউন্সিল অসিগী অপুনবা লিংজেল অমসুং অচান মীরাই নাইদনা অমনা অমগী মতেং পাঙনবগী খোঙথাং অমা লৌখৎলপা অসি থাগৎলি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মঙলেমজাওগী অনা লায়েংনবা গুৱাহাটি ফাওবা পুনবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতেং পাঙহন্নবা অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবা য়েংলগা মতেং পাঙনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

# খোংজোম লানগী বুকলেট–ৱারেপ লৌবদা য়াওখিবশিং মীয়ামদা খঙহনগদবনিঃ ট্রষ্ট

থৌবাল,এপ্রিল ২৭ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোম্থা ওইদুনা শোক্নখিবা খোংজোম লানগী নীংশিং ৱারীবু মুখৎনবা মণিপুর লৈঙাক্না অতম্নবা হোৎনখি হায়বসি নোংম–নোংমগী ময়েক শেংলক্নে হায়না খোংজোম মেমোরিয়েল ট্রষ্ট (কে দল্লিয়ু এম টি)না ফোঙদোরক্লি।

ট্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট এম হেমন্তনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দি আই পি আরনা থাদোরকপা চেরোল অমদা অমুক্তা তৌখিদ্রিবা মওং অমদা এপ্রিল ১৫দা অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মণিপুর টুদেগী স্পিসিয়েল ইশু ‘খোংজোম দে’ ফোঙদনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়না পাউ–চেশিংদা য়াওরক্লিবা অসি পুৱারীদা লেঙদনা লৈহৌরগনি হায়রদুনা খোংজোম লানগী চেবাউ ফোঙলগুমসি হায়না ৱারেপ লৌবদা য়াওখিবা অঙম–অথৌ অমদি ওফিসারশিংগী মমিং অমদি মীফম অদুগী কোপি অমসুং প্রোসিদিং করম্বা অঙম–অথৌনা এপ্রুভেল পীখিবগে হায়বা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়রি।

ইলেক্সন মোডেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনবদগী খোংজোম নুমিৎকা মরী লৈননা চহী খুদিংগী লেপ্তনা ফোঙলকি–খবা মণিপুর টুদেনা ফোঙদ্রগা নং হৌররোই মতাগুম ‘গো টু ভিলেজ মিসন’গী বুকলেট পুন্না মীয়ামনা য়েং খিবদু নোঙ্গখবা থৱায়শিংবু শীংনবনি। নখোয়না কৎখিবা হৈ–লৈশিং অদু অথৌবশিং অদুনা হরাউনা লৌরমগনি থাজদে। মসিগুম্বা থবক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়রি।

কে দল্লিয়ু এম টিগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এপ্রিল ২৩দা গো টু ভিলেজ মিসনগী বুকলেট (লৈঙাক্কী এচিভমেন্ট)মীয়ামদা য়েন্থোকখি। এপ্রিল ২৪দনা পোল্লিং ষ্টেসন ১২দা রিপোল পাঙথোকখি। মসিবু এম সি সি থুগায় হায়দুনা ই সি আইদা ৱাকৎলোইদৌবগী মরম লৈব্রা হায়না হংলদুনা খোংজোম ৱার মেমোরিয়েল ট্রষ্ট (কে দল্লিয়ু এম টি)কী ওইনা রাজনিটিগা মরী লৈনদবনা অদুমক্তি তৌরোই অদুবু য়াম্না লুরিবা ৱাফমদি খোংজোম লালগী মরমদা ইদুনা ইপা–ইপুশিংগী মথৌনা–মরিংজেলবু ঙসিগী মালেমদা খঙহন্নবগী চেবাওবু ফোঙবা য়াদে হায়বসি মোডেল কোদ ওফ কন্দক্টকী করম্বা পরাদা য়াওবগে হায়বসি লৈঙাক্না মীয়ামদা শেংদোক্কদবনি হায়দরদুনা সান্তিদাস গোসাইনা পুয়া মৈ থাদুনা মাঙহনখিবগুম মণিপুর অসি নীংম্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বগী ইতিহাস অসিসু কাওহন্নবা হোৎনবদি চুন্নরোই।

হৌখিবা চহী ২০১৪দা লোক সভাগী ইলেক্সন মণিপুরদা পাঙথোকি–খবা অদু এপ্রিল থাদনি। মতমদুদা মোডেল কোদ ওফ কন্দক্ট লৈখি অদুবু খোংজোম দেগা মরী লৈনদবনিনা দি আই পি আরগী মণিপুর টুদেগী স্পিসিয়েল ইশু ‘খোংজোম দে’ ফোঙখিবনি হায়রদুনা অরানবশিং লোৎশিন্দুনা থম্নবা হোৎনবগী মহুত্তা শোয়খিবশিং অদু লৈঙাক্না চুমথোকপীদুনা মথং চহীদদি খোংজোম নুমিৎকী ৱাহন্থোক লৈহনসি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা অপিল তৌরক্লি।

# লৌমীগী ইনকম শরুক অনী ওইহন্নবগীদমক ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌবা চঙইঃ ডা. প্রেমজিৎ

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৭(এস এন এস) ঃ

ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুমজা ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী ওইহন্নবা হোৎনননবগী পান্দমদা চংঙশিলনলক্লিবা লৌউ শিংঙবগী থবক খক্তনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা পান্দম ফংবা ৱাগনি। মরম্‌ অসিনা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না সি এ য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. এম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি লময়ানবা শঙলেন্দা মালেমগী ভেটেরিনারি নুমিৎ থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ডা. এম প্রেমজিৎনা হায়, মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি এস্যুর্দ ইরিগেসন লৈতবনা মরম ওইরগা লৌউ শিংঙবখক্তনা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী ওইহন্নবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্নগনি।

মসিনা মরম ওইরগা লৌউ শিংঙবগা লোয়ননা ঙা য়োকপা, শা যণ লোইবনচিংবা পুন্না ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং তৌবা মতমদা শোয়দনা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনী ওইহন্নবা পান্দম অসি ফংবা ঙমগনি।

মহাক্না হায়, য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ফেমিলি বেজ ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম অসি মণিপুরদা মায় পাক্না পাঙথোকপা য়াগনি হায়বদি সি এ য়ুগী থাজবনি। অচৌবা ষ্টেটশিংদা লৌমী কয়া মশা মথন্তা শিজরবসু অৱাং নোংপোক্তা লৌমী শিবগী ৱাফম তাদ্রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিগী লৌমীশিংনা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম অসি পাঙথোকপনা মনা মশীং থাবদা মায় পাক্তবসু শা যণ লোইবা অমসুং ঙা য়োকপদগী মদুগী শেনফম খরদং ওইরবসু ফংহনবা ঙম্ননা লৌমীশিং শিবা নাবাগী ৱাখলদগী ঙাকথোকপা ঙম্লিবনি হায়না মখা তাখি।

চহী অসিগী ঠিম ভেল্যু ওফ ভেক্সিনেসন অসি য়াম্না মরুওইবা খোঙথাং অমনি। শা যণশিং অসি নাদ্রিঙৈদা ভেক্সিনেসন তৌদুনা ঙাকথোক্নবা হোৎনবনা হেন্না ফরিবনি।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি অয়াম্বনা মালেমগী লমখৈ পরিংগা তাইনবা ওইবনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লৌনগনবা শা যণগী লায়না মখল কয়া লমদম অসিদা হায়জিনলক্নবগী মচাক ওইহল্লি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়বা তারবদি মিজোরামদা স্বাইন ফিভরগী মথক্তা পি আর আর এস অসি অচৌবা ইশু অমা ওইরিবনি।

ট্রান্সবাউন্দরি দিজিজ অসি লৈবাক অসিগী য়াম্না হকচিনবা ইশু অমা ওইরিবনি। মণিপুরদসু করিগুম্বা য়েন লোইবা মতমদা ভাইরেল দিজিজ অমা লাকপা মতমদা য়েন পাক্তক্লনা শিবনা মরম ওইরগা য়েন লোইনিংদবগী মওং দা লাকপা অসিদগী ঙাকথোক্নবা য়েন লোইবা মতমদা মতম চানা হিদাক কাপথোকপা অসি তঙাইফরক্লে হায়খি। মতম চানা হিদাক কাপথোকপনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়খি।

মহাক্না হায় মণিপুরী পোনিগী মশীং অসি লেপ্তনা হন্থরক্লি। মসি কন্দবা য়াদবনা ষ্টেট লৈঙাক্কী পোলিসি অমা ওইনা চংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। পোনি অসি এনদেঞ্জর স্পেসিসনি হায়না লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। পোনি মাঙখিবা মতমদা পোলো মাঙ–খগদৌরিবনি।

ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেজ হজ বেন্দরি অসিনা জি দি পি হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনা ভেটেরিনারি এক্সপার্টশিং অসি এগ্রিকলচরগী এক্সপার্টশিংনা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

এক্সপার্টশিং অমত্তা ওইনা চঙশিন্নবা মতমদা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগনি। মদুদা য়ুনিভর্সিটি অসিনা শেম শাদুনা লৈরিবনি। এস টি, এস সি এরিয়াদা সি এ য়ুনা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লগা ঙানু লোইবা, যণ লোইবা, য়েন লোইবনচিংবগী থবক কয়া পায়–খক্তনা লাক্লিবনি। মসিদা ভেটেরিনারি দিপার্টমেন্টকা চংশিনমিন্নবা মতমদা লায়রবা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ডাইরেক্টর ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি ডা. ঐচ চাউবনা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা হায়, মালেমগী ভেটেরিনারি দেগী থৌরম অসি মপুং ওইনা দিপার্টমেন্ট অসিনা করি তৌরি করি করি থৌরাং পায়খৎলি হায়বনচিংবা অসি মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনবনি। ঙসিগী নুমিৎ থৌরম অসিগা মরী লৈননা এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক চখ–রিবনি। শা যণ মশা মউ ফক্তবা তারবদি ঐখোয়সু মশা মউ ফনা লৈবা য়ারোই। মরম অসিনা জুনোটিক ইম্পোর্টেন্স অসি খঙনা চৎপা চঙই হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা হান্নগী ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ডশ. এস জোয়কুমারনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)

ঙরাংগী মখা

মসি ফাওবদা মরী লৈনবশিংনা চেন্নরিবশিং মীয়াম খঙনা করম্বা চৈরাক পীখ্রবগে হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহং অমা ওইরি। পূম্নমকশিং অসি য়েংলুরগা ঐখোয়না নৈনবা য়াবদি লমদম অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লৈরিবা লৈঙাক ফাওবনা লমদম অসিগী মীয়ামগী শিবা অমদি চঙবগী লংদাই ওইরিবা এদুকেসন ফাওবদা মীৎয়েং চঙবা ঙমদবা হায়বসি লমদম অসিগী মীয়ামগী করিসু খন্দ্রে হায়বদু তাকপনি। লমদম অসিগী এদুকেসনগী কাঙলোনদা লৈঙাক ফাওবনা য়ৈখাই থিনগাইবা পীদুনা অয়েৎ অপন পি হায়বদু মপান থোক্না তাকথোকচবনি হায়না দেসামনা লৌই।

লমদম অসিগী এদুকেসন সেক্টরদা থোক্লিবা থৌদোক–ৱাথোকশিং অসি য়েংলুরগা লৈবাক মীয়ামদা দেসামনা খঙহঞ্জনিংবদি অতোপ্পা লমগী মফমশিংদগী লমদম অদুগী লৈঙাক, লানহৌবা য়াওনা সি এস ও ফাওবনা মখোয় মখোয়গী লমদমদা এদুকেসন সেক্টরবু ফগৎনবা হোৎনবা ঙাক্তনি। শম্না খরদং পঞ্জবদা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী ময়োন লমদা খূৎলাই পায়দুনা লান হৌরিবা নেক্সলাইট হায়না খঙনবা কম্যুনিষ্ট লানহৌবা কাংবুশিংনা এদুকেসনবু অদুক্কী মতিক শৌগৎলি। মখোয়না স্কুল মৈ থাই হায়বগী ৱাফম কয়া অমা লৈখি। অদুবু পূম্নমকশিং অদু থিজিল্লবা মতমদদি হায়রিবা স্কুলশিং অদু স্কুলগী নামাদা আর্মি কেম্প ওইথোক্তুনা আর্মি পুলিস ময়াম অমা থমজিল্লম্বগী ওইখি। মসিগী ময়েক লারবা খুদমদি ইং ২০০৭ কী মার্চ ১৫দা থোকখিবা চাছিসগরদা লৈবা রানী বোদোলী কৈন্যা আশ্রম কৌবা গার্লস হোষ্টেল অমদা কম্যুনিস নেক্সলাইটশিংগী লান্মী তেংগোল ওইরিবা পিপল লিবরেসন গ্যুররিল্লা আর্মিনা লান্দাদুনা হোষ্টেল অদুদা লৈরম্বা চাছিসগর পুলিস অমদি সলৱা জুদ্দিনগী এস পি ও ৫৫ পুল্লপ হাৎখি। অদুবু য়াম্না ঙক্লিবদি নুপীমচাশিং নুপামচা ময়াম অদুগী লৈরিবা পুলিস / এস পি ও ৮০গী মনুংদা ৫৫ হাৎলগা হোষ্টেল অদুদা লৈরিবা নুপীমচাশিং অদুদি শিবদি লায়রদনা অশোক অপন য়াওখিদবা অদুনি। অহানবদা পাউ অসি প্রেস মেদিয়া য়াওনা হ্যুমেন রাইট এক্টিভিসশিংনা য়াম্না থিনা ঙাংবা ইবা তৌরবসু মপান অদুগী মীয়াম অমদি ধন দাকরন্যাগী মীয়ামশিংনদি চিন্দা শোন্নৈ ঈশৈ শক্তনা থগৎনৈ ফুংগা ৱারী ওইনা লীনৈ শেরেং থিদুনা থাগৎনৈ।

পূম্নমকশিং অসি য়েংলুবদা মতমদদি লমদম অসিগী এদুকেসন সেক্টর অসি তাইওন্নবা ফীভম অমদা লৈরি। লন্নাই নুংঙাইন্দবা অমগীসু স্কুলদা কিহন খংহনবা এদমিসন তৌগে য়াদবগীসু স্কুল ওথোরিটিদা কিহন খংহনবা কয়া তৌরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু এদুকেসন সেক্টরদা মীচং শঙ্গা য়েংদুনা থবক তৌবদগী অকায়বা কয়া অমা পীরি। এদুকেসন খক্তনা খুন্নাই অসি পূরুপ অসি কনবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি কাউথোক্নরি ঙাইহাক– ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখলদা তাওদুনা ঙসিগী মীরোল অসিনা চৎলি।

পূম্নমকশিং অসিনা মরম ওইরগা ঙসিগী ঐখোয়গী খুন্নাই ফূরুপ অসি কঞ্জনবগীদমক লমদম অসিদমক লৈবাক মীয়ামগীদমক লৈরিবা লৈঙাক নীংতম লাল হৌবশিং অমদি সি এস ও পূম্নমক্না এদুকেসন সেক্টরদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা এদুকেসন সেক্টরদা অপনবা অয়েৎপা পীবদা মফম অমা ওইহল্লসি। ঙরাং থোকখিবা থৌওং অসি লন্নাই নুংঙাইনদবগী ওইবা তারবসু মসি খুন্নাই ফুরুপ অসিবু শিংনবনি হায়না পূম্নমক্না লৌফম থোকই। লৈঙাক্নসু তৌরিবা থৌওং অসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা চেন্নরিবা মীওইশিংদা মতিক চাবা অকনবা চৈরাক পীদুনা থোক্লিবা থৌদোক অসিনা অরোইবা থৌদোক অমা ওইহন্নবা হোৎনবা তঙাই ফাদে। লৈবাক মীয়াম্নসু থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং লৈবাক অসিগী য়েক্নবনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা চৈরাক ফঙনবা হোৎনবদা মতেং পাং ফম থোকই।

অরোইবদা দেসামনা হায়জনিংবদি ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা এদুকেসন সেক্টরদা অপনবা অয়েৎপা পীরিবা কয়া অসি লেপ্লবা লৈঙাক অসিনা অথুবদা থৌরাং অমা তৌবীয়ু লোয়ননা স্কুল মৈ থাবদা চেন্নরিবা মীওইশিং লৈঙাক অসিগী য়েক্লবনি হায়না লৌদুনা অথুবদা ফাদুনা মতিক চাবা চৈরাক মীয়াম খঙনা পীগদবনি।

# পুলিসনা এফ আই আর লৌবিয়ু য়াদবগী মতাংদা কেস রেজিষ্টার তৌখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৭ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা এপ্রিল ১১,২০১৯দা বিষ্ণুপুর ৱার্ড নম্বর–৫দগী থোংজাওরোক তুরেল মপানদা খ্বাইরাকপম ওংবী সুশিলা দেবী কৌবী নুপী অমা চিংনিংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদবগী মতাংদা এস পি বিষ্ণুপুরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা ৱাকৎলবসু এফ আই আর চন্দুনা থিগৎপীয়ু য়াদ্রে হায়দুনা থিয়াম অচৌবা কৌবা নুপা অমনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎলকপদগী কম্মিসন্না প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটস এক্ট ১৯৯৩গী সেক্সন ১২গী মখাদা কমপ্লেন কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে।লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিল্লগা মে ৯ ফাওবগী মনুংদা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্নবা দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতা খঙহনখ্রে। হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা পীশিল্লকখিবা ৱাকৎ অদুগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা নুপী অসি মহাক্কী মপুরোইবা খ্বাইরাকপম নিলমনিনা মচাগী মমাঙদা ফুবা–চৈবগী থবক চখে। লোয়ননা মসিনা মরম ওইরগা মচা নুপাগা মপাগা খৎন–চৈনবসু য়াওই হায়রি।লৈখিদ্রবী নুপী অসিনা শিগদবা নুমিৎ অসিদসু মহাক্কী মপুরোইবনা অতোপ্পা নুপী অমা অতেন্বী ওইনা পুশিল্লকপগা লোয়ননা নিঙাই শংদান্নবসু থোকখি। নুপী অদুনা শিরিবসি হূ চারগা শিবনি হায়বসু মীশি অসিদা মহাক্কী নুপাগী খূৎ য়াওরম্বা য়াবগী চিংনবা লৈ হায়রি নুপী অসিনা লৈখিদবা নুমিৎকী নোংঙাল্লগা এপ্রিল ১২দা এস পি বিষ্ণুপুরদা অইবা চেরোল পীশিল্লবসু এফ আই আর লৌখৎতুনা থিগৎপিয়ু য়াদ্রে হায়বদগী হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎলকপনি।

# সলাই য়ুনিভর্সেল…

*লমায় ১গী মখা*

ওইনা হান্নগী এম এল এ কে সরত, আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি–গী মীরেপ ওইখিবা অশাং কসার, এদভাইজর সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদ ডা. টি ঐচ ব্রোজেন্দ্রো সিংহ, ডা. টি ঐচ সোবিতা, সলাই হোল্ডিংসকী ভাইস চিয়ারমেন ই ব্রোজেন্দ্রো, সলাই লাইথৌ শঙলেনগী সেক্রেটরী টি শ্যামকহ্নাই, অমসুং স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদমীকী সেক্রেটরী এন সঞ্জয়না অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।স্মার্ট সোসাইতিগী সেক্রেটরী এন ধনবতিনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

# কে সি পিগী লাম্হেংমিন্নসি ঐখোয় ফোঙখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৭ (এস এন এস)ঃ কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সি পি)গী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি না থা তরুক খুদিংগী পুথোকপা *লাম্হেংমিন্নসি ঐখোয়* (কালেন চেফোঙ) ঙসি পুথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ইন–চার্জ এস মঙালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কালেন চেফোঙ অসিদা হিরম ১২ য়াওরি। অহানবা হিরমদা ৩৯শুবা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মপোক কুমওনদা লূপকী প্রসিদেন্টনা মীয়ামদা পীখিবা য়াইফ পাউজেল,অনীশুবা হিরমদা এডিটোরিয়েল (ঐখোয় হৌজিক করি তৌগনি),অহুমশুবদা অপুনবা য়াওলগী পাঙ্গল–মচি (রিভোলুসন্নরি ক্রিটিকেল মাস),মরিশুবদা লৌশিংগী পোমিৎলোন (অহানবা শরুক) থবক তৌবা (প্রটিক্স)না লৌশিংগী য়ুম্ফমনি। মঙাশুবদা লনাই মীওই অমদি কাঙলূপ তরুকশুবদা মাক্সিজম–সি ফেন্টালিজমলা? তরেৎশুবদা হিষ্টোরিকেল মেটরিয়েলিজম,নিপালশুবদা কন্সোলিদেসন ওফ রেভ্যুলুসন্নরি বেজ এরিয়া ঃ দি হার্ট ওফ পীপলস ৱার,মপলশুবদা ওফ হিটলরস লেবেনশ্রম এন্দ ইন্দিয়া অখন্দ ভারত,মীতৈ ময়েক্তা ইবা ৱারেং অনী–খুন্নাই অমগী পোখোক্কী য়ুম্ফম অমসুং মাক্সিজম চৎলবতদতা নীংতম্বতা নত্তনা মান্নবা খুন্নাই লিংবা ঙমগনি হায়বনচিংবা অসিনি। *লাম্হেংমিন্নসি ঐখোয়* ভোল্যুম নম্বর ১২ ইশু নম্বর ০১, কালেন চেফোঙ এপ্রিল ২০১৯গী দিজিটেল কোপি অসিদা ফোটোগী লমায় হায়দুনা কাদরশিংনা নোংমৈ পায়রগা মথৌ তৌবনচিংবগী ফোটোশিং হাপ্লি।

# সি এমনা মোডেল কোড ওফ কন্দক থুগায় হায়বগী সো কোজ নোটিশ পীখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ২৭ (এস এন এস)ঃ চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মোডেল কোড ওফ কন্দক থুগায়রে হায়দুনা কংগ্রেসকী কেন্দিদেট ওইনাম নবকিশ্বরনা থাঙ্গৎলকপা ৱাকৎ অমগী মতাংদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী রির্টনিং ওফিসার ওইরিবা নাওরেম প্রবিননা চীফ মিনিষ্টরগী পার্সোনেল সেক্রেটরী সলাম রাজেনদা সো কোজ নোটিশ অমা থাখ্রে। হৌখিবা এপ্রিল ১৬তা ক্বাকেথেল মোইরাংপুরেলদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন রেল্লি অমদা মীয়ামদা কোংগ্রেস নৎত্রগা সি পি আইনা পৈশা পীরক্লবদি লৌশিল্লু অদুবু ভোটতি বি জে পিদা থাদৌ হায়না হায়খিবদু মোডেল কোদ ওফ কন্দক অমদি ফ্রি অমদি ফিয়ার ওইনা ইলেক্সন পাঙথোকপগী মায়োক্তনি হায়না কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট ওইনাম নবকিশ্বরনা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারদা ৱাকৎলকখিবনি।

চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসারগী ওফিসনা ৱাকৎ অদুগী মতাংদা থিগৎনবা অমদি ইলেক্সন কম্মিসনগী লৈরিবা গাইদ লাইনগী মতুং ইন্না লৌখৎনবা খঙহল্লকপদগী রিটর্নিং ওফিসারনা চীফ মিনিষ্টরনা মোডেল কোড ওফ কন্দক থুগায়রে হায়না লৌরোইদৌবগী মরম এপ্রিল ২৯গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা পীরক্নবা সো কোজ নোটিশ অদু পীখিবনি।

# কে ৱাই কে এলগী মপোক কুমওন নুমিৎকা…

*ঙরাংগী মখা*

অথিংবা অপীবা, খঙবা, রেসিষ্ট তৌবগী অশেংবা ঈহৌ হায়বসি মসিখক্তদি নত্তে। খূৎলাই পায়বা ঈহৌ অসিগী মথক্তা, লমদম অতৈন্দসু রেসিষ্ট তৌগদবনি হায়বদি মথক্তা পাঞ্জরিবা ঈহৌ মখল অহুম অদুসু চিংথদনা তৌগদবনি।

মতাং অসিদা ঐখোয়না পারা তম্না য়াবা ঈহৌ অনীখক্কী খুদম পীজনিংই। অহানবনা, সাউথ আফ্রিদা ষ্টেব বিকো (১৯৪৬–১৯৭৭) না লুচিংলগা হৌদোকখিবা ব্লেক কোন্সাইনেস মুভমেন্ট (বি এম সি) অদুনি, অনীশুবনা, বোলিভিয়াদা ফাউষ্টো রেনাগা (১৯০৬–১৯৯৪) না পুথোকখিবা ইন্দিয়ানিস্মো (ইন্দিজিনিজম) গী ৱাখল্লোনদা য়ূমফম ওইবা ঈহৌ অদুনি।

বিকোনা খনখিবসি চহী ৩০০ শুরবা মশাসু হন্থনা খঞ্জবা (চহী ৩০০ শুরবা ওল্ড ইনফরিওরিটি কমপ্লেক্স) অদুনা সাউথ আফ্রিকাগী অমুবশিংবু মী ওইহদ্রে, তাইওননা শকফম (নেগেটিব সেল্ফ ইমেজ) অমা উহল্লে, তুংলমচৎকী মওং কাইহখ্রে (দিসফিগর দি আফ্রিকা পাষ্ট), মংলমচৎকী মঙ মাঙবসু থুগাইখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়বু লেংঙাম শাঙমদ্রবা মীয়াম (মেক হিম পেসিব) ওইহল্লে হায়বসিনি।

হায়রিবা ফিভম অসিদগী মশাবু কঞ্জনবা অমুবশিংনা তৌগদবদি মখোয়গী থম্মোইদা মী ওইবগী ৱাখল অমদি মচৎ শাগৎপা, মশাগী অচুম্বা নিংজবা শকফম (পোজিটিপ সেল্ফ ইমেজ) শাগৎপা, খুন্নাইগী অপুন্বা অশা অমসুং নিংগনি হায়বগী থাজবা পুরকপা অমসুং অরোইবদা অপুন্বা শাগৎলকপনি।

বিকো গী লালোংদা পান্দম অসি ফঙনবা তৌগদবদি মীয়ামবু কন্সাইটিজেসন তৌবনি হায়। পাউলো ফৈরেগী ৱাখল্লোন অদুনি। য়ানিংদবা ফোঙদোকপা, ৱাকৎ–ৱাঙাং (প্রোটেষ্ট তোল্ক) ঙাংদুনা ইশাগী অমদি ঐখোয়গী তশেংবা ফিভম (রিএলিটি) খাঙদোকপা,ঐখোয়না মী ওইদ্রিবা অসিগী ফিভম অমদি মরম থিদোকপা , তশেংবা তুংলমচৎ অমদি অচুম্বা মাঙলমচৎ লেপথোকপা হায়বসিনা মহাক্না হৌদোকপা মরু ওইবা লালোংনি। লালোং অসিনা অমুবশিংবু মশাগী তশেংবা শক্তম অদু খঙবা ঙমহল্লি হায়না বিকোনা খনখি। মসি মহাক্কী কোক নিংখা তামহনবা হায়বদুনি। ফাউষ্টো রেনগাগী ৱাখল্লোনবু চাওরকপা মান্নে। মথং মথং …

# মণিপুরগী নীংতম্বা মাঙখিবা নুমিৎ …

*লমায় ১গী মখা*

অমম্বা নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্লিবনো হায়বা খঙমিন্নবগী তঙাইফদ্রে। খুন্নাই অমগী অকা–অকুম্গী ৱারী অদুম ঐখোয়না থেংনৈ। মণিপুর খুন্নাইগী ওইনা চাওনা মায়থিদুনা মীখা পোনখিবা নুমিৎ অসিবু ঐখোয়না নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লিবসি হিষ্ট্রিগী লেসন অমা তমহৌসি হায়বসিনি। মণিপুরদা হিষ্টোরিকেল ট্রোমা কয়া লৈরি। কোলোনিলিজম হিষ্টোরিকেল ট্রোমাগী চৈথেং মীয়াম্না থেংনদুনা লাক্লি। অসিগুম্বদা রিলিজনগী হিষ্টোরিকেল ট্রোমা অমদি ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদা থাজরুন্দনা ন্যু কোলোনিজম ওইরুবগী চৈথেং ঙসি ফাওবা ফঙদুনা লাক্লি।

হিষ্টোরিনা মীওইববু হেন্না মীৎ–না শীংহল্লি। তমশিনবা য়াবা ৱাখল–লৌশিং কয়া অমদি হৌখিবা চৎনরোল কয়াগী মমি থম্মোয়দা তাহল্লিবনি। লোয়ননা তুংগী পূন্সিরোল অমা শেম্বদা হিষ্টোরি কয়া মথৌ তারিবনি।

পূৱারী অমা শেম্বা হায়বসি ঐখোয় ইশানা শেমজগদবনি। তুংগী পুৱারী অমা শেম্বদা হৌ–খবা পুৱারী নৈনদবা য়ারোই। অদুবু নৈনগদবা পুৱারী অদু লমদম অসিগী মীওইনা ইবা পুৱারী নৈনগদবনি। মীতোপ্পা ইরকপা পুৱারী নৈনরোইদবনি। অশেংবা পুৱারী খঙবদগী নেসনেলিজমগী ৱাখল পোক্লকপা হেল্লক্কদৌরিবনি। লমদম অসিদা মাং শিল্লক্লিবা নাৎকী,শক্তম,চৎনবী খুদিংমক কাইশিল্লকপা হেল্লক্লিবা অসিদগী কঞ্জনবা ঐখোয়গী লৈজরম্বা কলচর চাউখৎনবা অমদি মীপান তাংদনবা শুবা নোম্বা কনবগী হৈনবী থমদুনা ইপা–ইপুগী মতৌ তম্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার এস সনাতোম্বনা হায়,হৌজিক লাক্লিবা মীরোল অসিনা লমদম অসিগী হিষ্টোরি খঙনবগী ইহুল অমা লৈত্রি। মতম অমদা চৎনরম্বা ইপু–ইবেনগী মনাক্তা ফমদুনা পুৱারী ওইনা মাংলমচৎকী ৱারী লীবিরম্বদু হৌজিক্কী মীরোলদা লৈত্রে। অসিদা নত্তনা মহৈরোয়শিংগী সেলেবসতা লমদম অসিগী হিষ্টোরি ওইবা চেপ্টর কয়া অমসু নীংথিনা হাপ্তবনা ইনখৎলক্লিবা অঙাংশিংনা পুৱারী মশক খঙদবনা তৌহৈদবা থবক কয়া তৌরকপা,চৎহৈদবা লিচৎ কয়া চৎলকপনা মীপাল তাংবা লমদম ওইখ্রগনি। হিংনবগী লানফমদা কোইচেন–চেন্নখিবনা লমদম অসিগী পুৱারী নৈনবগী মতম ফঙদবনি খল্লি। কুমজা ১৮৯১দা থোকখিবা এঙ্গলো মণিপুর ৱারদা লমদম অসিগী ইপা–ইপুশিংনা লমদমসিগীদমক হোৎনরম্বা কয়া অমদি নীংতম্ববু ঙাক্নবা হোৎনখিবা পুৱারীবুদি ঐখোয়না কাউফদে। মখোয়গী মঙলান অদুগী ৱাখল্লোন খঙনা ঐখোয়না তুংগী পুৱারী অমা শেন্নম্বা মথৌ তারি হায়না ফোঙদোকখি। ঙসিগী থৌরমদুদা জষ্টিস কম্মিটি ওন এঙ্গলো–মণিপুর ৱার মার্টিয়রস এন্দ ফ্রিদম ফাইটর্স ওফ কংলৈপাক (মণিপুর)গী চিয়ারমেন ঐচ ইবোতোম্বী খুমন অমদি জে এন মণিপুর দান্স একাডেমিগী দাইরেক্টর এল উপেন্দ্রো শর্ম্মনা ইকাইখুম্নবা মীথুংলেন অমসুং ইন্টরনেসনেল পীছ এন্দ সোসিয়েল এডভান্সমেন্ট (ইপ্সা)গী প্রসিদেন্ট জোয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা থৌরম মপু ওইখি। ত্রিপুরা চোঙথা ত্রিপুরাগী কনভেনর চোঙথাম গন্দেশোরিসু থৌরমদুদা শরুক য়াখি। লোয়ননা এঙ্গলো মণিপুরনা লৈখিদ্রবা ইপা–ইপুশিংগী শুথাং খরদসু ইপা–ইপুশিং ইকাই খুম্নবা ওইনা ইপ্সাগী মায়কৈদগী ঙমজবা খুদোল তমখি।

# নুপী অমা লৈখিদবগী…

*লমায় ১গী মখা*

মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার য়াওনা অহেনবা পুলিস পার্সোনেলশিং চংশিল্লক্তুনা ইরাং অদু লাকশিনি–খ।থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবী নাওচাগী মচে সগোলশেম ওংবী ইন্দুবালানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না, নাওচা লৈখিদবসি রিমসকী ডোক্তরশিংনা থৌশাদবদগী লৈখিদবনি হায়রি।

নাওচা নিংশা হোনবা ৱায় হায়বদগী ঙরাং নুমীদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা রিমসতা পুখৎলকখি। কেজ্যুলিটিদা লৈরম্বা ডোক্তর নুপী অমনা নাওচাবু য়েংখি। তাঞ্জাদুদা নাওচা নিংশা হোনবগা ৱাবগী মওংদা মশা ফরা–ফরা হায়বা হৌরকখি। মদু উবদা মহাক্কী মপুরোইবা অমদি ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ওক্সিজেননচিংবা থাজন্দুনা খরা ফজনা য়েংবিনবা ডোক্তরদা হায়জখি। মদুদা ডোক্তর নুপী অদুনা ইমুং–মনুংগী মীওইশিংদা ওনশিল্লগা নোয় য়াম্না খঙবরা, মশা নোর্মেলনি করিশু তৌরোই, শারে হৌবনি হায়রগা হিদাক অমা কাপ্লবা মতুং রিমসকী সি টি স্কেন মেচিন য়াদ্রে অদুনা মপান্দা সি টি স্কেন লৌরুচো হায়রকখি হায়রি। ডোক্তরনা হায়রকপগী মতুংইন্না মপানগী ক্লিনিক অমদা সি টি স্কেন লৌখি। লোয়রগা পুথোকরকপদা নাওচা নিংশা হোনখিদ্রে। মতমদু নুমীদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদনি হায়রি।

লৈখিদ্রবী নাওচা মচা নুপা অনী, নুপী ১ অমা লৈরে। মচানুপী অদু য়াইমনি চহি ৪ রোমশুরে। মচানুপা অহল্লদুনা চহি ৯ শুরে অদুগা অতোম্বনা থা ৫ রোমদা ঙাইরি হায়রি।থৌদোক অসিগী মতাংদা লমশাং কেন্দ্রগী এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেন লাক্তুনা রিমসকী দাইরেক্তর অমদি মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। লোয়ননা থৌদোক অসি ইন্টর্নেল ইনক্বরি অমা তৌনবা কম্মিটি অমা শেম্লে, ইনক্বরি তৌরগনি হায়না রিমসকী ওথোরিটিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# খুন্নাই অমদা থেংনরিবা ইশুশিং…

*লমায় ১গী মখা*

পরিষদনা গেং শরান এৱার্ড অমসুং সাহিত্য ভুষন এৱার্ড পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মহাক্না মণিপুরগী লোন,নাৎ,চৎনবীবু চাউখৎনবা হোৎনরম্বা অসি স্কলরশিংনা মশক খঙলি হায়খি।

লিটরেচরনা খুন্নাই অমগী অচৌবা থৌদাং লৌই হায়বসি মীয়াম্না খঙনরিবা ৱাফম্নি। অইবশিংনা খুন্নাই অমগী ইশুশিং মীয়ামদা খঙহনবা ঙম্লিবনি। লোন অমগা–অমগা তোঙাঞ্জরবসু মখোয়না ফোঙদোক্নিংলিবদি অমখক্তনি। মণিপুরগী লোন অসি মখা তানা চাউখৎহন্নবা লাইরিক ইবা মতমদা লোনগী শীজিন্নফম অমসুং ষ্টাইলদা তোঙানবা মহাও অমা হাপ্পা তঙাইফদে হায়নসু গভর্ণরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মমিং লৈরবা স্কলরর ডা নোংমাইথেম তোম্বীনা লাইরিক অদুবু নৈনরদুনা লাইরিক অসিদা ইন্দিয়াগী লিটরেচরদা অইবা অসিগী অচৌবা থৌদাং অমনি। মহাক্না মণিপুরগী লিটরেচরগীদমক কখোকপগা লোয়ননা লৌরম্বা থৌদাং অসিমক য়াম্না মমল লৈবা অমনি। নোবেল অসি লমায় ১৪১ পানবা লাইরিক্লি। পীশুন্নৈ হায়রিবসিনা নোবেল অসিদা য়াওবা নুপী কেরেক্টর অমগী মমিংনি। লাইরিক অসি নিংথৌ পামহৈবা মতমদগী শৈথাদুনা ইরগসু নিংথৌ ভৈগ্যচন্দ্রগী মতমদগী য়ুম্ফম ওইরগা ইবা ৱারীনি। মণিপুরগী লাইনিংগী ফজবা উৎনিংদুনা অইবনা নোবেল অসি ইরম্বা য়াই হায়না মীয়াম্না লৌনরি হায়খি।

থৌরম অদুদা মমিং লৈরবা অইবা ই সোনামনি,নট সংক্রির্ত্তনগী শক্নাইরবা গুরু পদ্মশ্রী কে এস ঐচ থৌরানিশাবী,লাইরিক অসিগী পব্লিসর এন চিট্রামোহিনিসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লাইহূই ইন্সেম্বলনা নোবেল অদুগী ইপিলোগ অমসু উৎখি।

# ৱার্ক কলচর শাগৎপদা কনাবুসু ইকাইফম থোক্তে…

*লমায় ১গী মখা*

চৎনবা হোৎনবদা নিংবা থুং লক্তবা কয়া য়াওখিদবা নত্তে। শান্নবা চৎলমদাইদা অপোকপা নারক্তুনা য়ুমদা শেল পীয়ু হায়বা ঙমদবদগী লুপা অমা ফাওবা পুদনা শান্নবা চৎপা কানসু য়াওখি।

কুমজা ১৯৯৭কী মার্চ ১৯ দা পাকখিবী দাইনা কুমজা ২০০৬ তগী শান্নবা হৌরকখিবনি। লোয়ননা ষ্টেটকী থাক্তা সনাগী, লুপাগী অমসুং শেঞ্জেংগী মেদল ২৫ রোম হেন্না ফংলকখ্রে। লোয়ননা নেসনেলগী ওইবা চেম্পিয়নশিপ কয়াদসু সনাগী মেদল ৫, লুপাগী মেদল ৩ অমসুং শেঞ্জেংগী মেদল ১ ফংখিবা লৈ–খ্র। লোয়ননা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপতা মরিরক শরুক য়াদুনা মেদল কয়া পুরকখিবা লৈখ্রে। মহাক্না শান্নরকপদা মহাক্কী ওজাশিং, ওল মণিপুর তাইকোন্দো এসোসিয়েসননচিংবগী মায়কৈদগী মতেং কয়ামরুম পাঙবীদুনা লাক্লি হায়খি।

মহাক্না শিনফম অসি পায়রকপগী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা হায়, ইমুং মনুংগী অৱাবা য়েংলগা করিগুম্বা খরা তৌরগা অপোকপা অপোকপীগী মতেং পাঙবগা লোয়ননা ক্লাস আইট তল্লিবী মনাউনুপীবু শেম্বদা মতেং পাংগে হায়না খল্লকপা মতম কুইরক্লে। লোয়ননা মশানা তাঞ্জবা শেনফম অদুনা তুংশিল্লগা মহাক্না মপান লমদা শান্নবা চৎপা মতমদা অহল লমনশিংদা শেল থুমগী পোৎলুম ওইহনবদু পামজদবদগী শিনফম অমা অহাংবা মতমদা পায়নবা ৱাখল খনবা হৌরকখিবনি।

মহাক ইন্টরনেস্নেল শান্নরোই অমা ওইরবসু অহাংবা মতমদা শেল তান্দুনা ইমুংগী মতেং পাঙবদা অকায়বা লৈতে হায়না খল্লি। লমদম অসিদা নুপীমচাশিংনা মপান থোক্না অসিগুম্বা শিনফম অমা পায়রকপা হায়বসি পংনা উন্নরক্তে।

অদুবু মীগী পোৎ লোন্না লৌরুবা নত্তবা ইশাগী হুমাংমলনা অঙম্বা থবক শুদুনা ইশানা ইশাবু মতেং পাঙজবতা নত্তনা ৱার্ক কলচর অমা শাগৎপদা কনাবুসু ইকাইনিঙাই লৈতে হায়না লৌই। লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিং মপুং ওইনা নুপীমচাশিংনা ইশা ইশানা অঙম্বা থবক শুজ নোমজদুনা লমদম অসিদা ৱার্ক কলচর অমা শাগৎপা ঙম্নবা মতমদা লমদম অসি চাউখৎ লমজেলদা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙমগদৌরিবনি। মসিদা শিনফমগী খেন্নবা থমদনা অঙম্বা থবক শুবা নোম্বদা ইকাইনিঙাই লৈতে হায়খি। ৱাখল অসিনা মাঙদা থম্লগা ইমুং মনুংগী অহল লমনগী অয়াবা লৌরগা হৌখিবা এপ্রিল ১৬ তগী হৌরগা কংলাপাৎ মপান্দা অয়ুক পুং ৪ দগী পুং খরা মতম কাইথোক্লগা উঁহে সলাদ শেমদুনা য়োনবগী থবক অসি চথরকপনি।

শান্নবগী মতমদগী হাংদুনা লৈরিবা অয়ুক্কী পুং খরা অসিদা উঁহে সলাদ য়োনবদা নোংমদা শেনপোৎ থারগা লুপা ৭০০ তগী ৮০০ ফাওবা য়োনবা ঙম্মী। মসিদগী শেন্দোং ওইনা লুপা ৩০০ দগী লুপা ৪০০ ফাওবা ফংবা ঙম্মী হায়খি। উঁহে সলাদ য়োনবদগী ফংলকপা শেনফম অদুনা মহাক্কী বেঙ্ক একাউন্টতা তুংশিন্দুনা থম্লগা মহাক্না মণিপুরগী ৱাংমদা শান্নবা চৎপদা তঙাইফদবা চংবা শেনফম অদু খোমজিন তাশিনজবনি। লোয়ননা মদুদগী শান্নবগী দাইটনচিংবা লৈবদা ইমুংগী অহল লমনশিংদা পোৎলুম অমা ওইরম্বদু কোকহনবা ঙম্লে হায়খি। মখা তানা শিনফম অসি পায়দুনা ইমুং মনুংগী লৈত লায়রদা মতেং পাঙবতা নত্তনা লমদম অসিদা ৱার্ক কলচর শাগৎপগী পাউজেল শন্দোকপগা লোয়ননা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থৌদাং খরদং ওইরবসু লৌনবা হোৎনখিগনি হায়না দাইনানা মখা তাখি।